ইরাৎ থৌনি পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :

লাঙ্গোল চিংদোন অমম লৈশালোক্তা লৈরিবা নোংথৌ সলাইরেন শিদবগী চীংঙুগী অহকপা লাইপাউজী মতুংইন্না মালেমদা হৌজিক য়াম্না তমথিরবা লায়না-লাইচৎ শন্দোরক্লিবা অসিদগর কন্বীনবা লাক্লিবা ওগষ্ট ২০গী অয়ুক্তা সনামহী লাইনিংকোল শঙলেন (সনাকোন) ইম্ফালগী মশা শঙলেন, লাঙ্গোলগী লাইরেম্বী লৈকায়দা লৈরিবা ময়েনবম থাদোই লৈমগী শঙ্গাইদা মীয়ামগী য়াইফন্নবগীদমক ইরাৎ থৌনি থৌরম লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোন ঙাক্লামী য়ামদনা পাঙথোকচরগনি। নুমীৎ অসিগী অয়ুক নৎত্রগা য়াচংবা মতমদা ইশা-ইশাগী য়ুমগী শোন্ন পুং (শুমাং)দা মৈরা-মেক্রুক, হৈ-লৈ, অকৎশেল, চেঙ খুয়া অমত্তা ওইরবসু য়াওনা থম্মোয় শেংনা সলাইরেন শিদবগী মফমদা য়াইফ থৌনিবীয়ু। লোয়ননা কৎলিবা চেঙ অদু থোংবদা হাপ্পীরগা ইমুংগী মীওইশিং শুনা ফংহনবীয়ু হায়না সনাকোনগী য়াইতোংবা পুখ্রম্বম অঙম্বনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

Important Phone Nos.

RIMS	- 2414478
J.N. Hospital	- 2450385
DG Control	- 2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	- 101
Moirang	- 8415925197
Churachandpur	- 8415925191
Thoubal	- 8415925203
Kakching	- 8415925194
Jiribam	- 8415925193
Mayang Imphal	- 8415925196
Bishnupur	- 8415925190
Moreh	- 8415925198
Kangpokpi	- 8415925195
Ukhrul	- 8415925205
Senapati	- 8415925199
Chandel	- 8415925192
Singhat	- 8415925201
Sugnu	- 8415925202
Yairipok	- 8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	89.122070
US Dollar	74.662448
British Pound	98.517817
Australian Dollar	54.135993
Chinese Yuan Renminbi	10.795161
Japanese Yen	0.707864
Malaysian Ringgit	17.849491
Singapore Dollar	54.729546
South Korean Won	0.063068
Saudi Arabian Riyal	19.909986
Thai Baht	2.398960
Myanmar Kyat	0.05497
Bangladesh Taka	0.88074

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	53456.00
Mumbai	–	Rs	53421.00
Delhi	–	Rs	53062.00
Kolkata	–	Rs	53323.00

GAS NEWS

KHORIPHABA NAMBOL
Booking upto : 26/06/2020
(Sl. No. - 6078)
HOME DELIVERY ONLY
COTACT NO.
9366471778/8837349474
FOR BOOKING : 8837427636

TDK GAS
Booking upto : 02/07/2020
Valid from : 30/06/2020
HOME DELIVERY
ONLY CONTACT NOS.
6909614353/8731992324

KHUMBONG INDANE
Booking upto : 25/06/2020
Sl. No. - 470
ONLY HOME DELIVERY
CONTACT NO : 7005771527, 9774068549
WHATSAPP NO : 8794973019
TIME : 7.30AM TO 10.30AM

M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
BOOKING UPTO : 14.2KG-26/07/2020
VALID FROM : 17/07/2020
***19KG AVAILABLE
FOR DELIVERY SERVICE
PLEASE CONTACT
-7085738631OR 8119967523
CALL TIMING : 8:00AM TO 2:00PM

HIYANGTHANG INDANE
Booking dt. 19/06/2020
Sl.No. 461to 560
Timing : 7.a.m.to 10.a.m.
Home del. Only. Cont. No.
7085557686, 9366502930

LAMSANG GAS AGENCY
(Home Delivery only)
Booking upto : 30/06/2020
Valid from : 10/06/2020
Timing : 8.00am to12.00noon
Home Delivery contact no.
8730087936 Please submit
Consumer latest mobile number.

HEIROK INDANE
Booking upto : 01/07/2020
Valid from : 15/06/2020
Stock:- 306
Home delivery only
Booking contact no. 7627935705
Delivery contact no. 9436274203
Contact time : 9.30am to 2.00pm

JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking upto : 22/06/2020
Valid from : 21/06/2020
Stk. : 306
Timing : 6.00am to 9.00am
Home Delivery (Contact No.
6909963855/8119073029)

MAIBIA GAS MOIRANG
Booking upto : 27/06/2020
Valid from : 25/06/2020
STOCK : 306
(HOME DELIVERY
SERVICE),CONTACT NOS.
1.DILIP-9612883295
(MOIRANG A/C).
2.AJAY--7005667570
(THANGA A/C),
3.ROJEN--8787381746
(KUMBI A/C). BOOKING vv
CONTACT NO. 7085972248.
TIMING : 8 AM TO 12 NOON.

‘কোভিদ-১৯গী মহিক ওইনা উবগী থৌওং তৌবীগনু’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :

কোভিদ-১৯ থেংননবগীদমক ফ্রন্টলাইন ৱারিয়রর ওইনা লৈরিবশিংগী মনুংদা হায়ৱেশিংদা অহিং-নুংথিল খায়দনা গাড়ী থৌরগা মপান্দগী চান-থক্লবা পোৎলম, হিদাক-লাংথক য়াওনা পোৎচৈ কয়া পুশিল্লক্লিবা দ্রাইভরশিং অমদি মেদিকেল প্রোফেসনদা লৈরিবশিংনা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা তৌরিবা থবকশিং অসিদা মীয়াম্না মরুওইনা মাগী মাগী লৈকায়-লৈকায়দা থাগৎপীবগী মহুৎতা কোভিদ-১৯গী মহিক ওইনা উবগী থৌওং তৌবীগনু হায়না জোইন্ট কম্মিটি ফোর পব্লিক এৱ্যের্নেস ওন কোভিদ-১৯গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

জোইন্ট কম্মিটি ফোর পব্লিক এৱ্যের্নেস ওন কোভিদ-১৯না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, দ্রাইভরশিং অমদি মেদিকেল প্রোফেসনদা লৈরিবশিংবু কোভিদ-১৯গী মহিক ওইনা উবগী মীৎয়েং অমদি থৌওংদুনা লায়না-লাইচৎ অসি লাম্থেংনবগী মহুৎতা অতোপ্পা প্রোব্লেম কয়া অমা থোরক্লবগী মচাক ওইগনি। হৌজিক হৌজিকসু প্রোব্লেম কয়া অমা থোকপা হৌরক্লবনি। কোভিদ-১৯ অসি ঐখোয় পুন্না কোক চুংশিন্নরগা থেংনমিন্নবগী মহুৎতা ঐখোয় মশেল ওনশিন্নরগা চিক্লবগী ফীভমদু ওইহন্দনবা পুন্নমক্লা হোৎনমিন্নসি।

ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱর্করস য়ুনিয়নগী মখাদা দ্রাইভরশিংনা খুদোংথিবা কয়া মায়োক্লদুনা লিশাং-শিংনা মীয়ামগীদমক তৌজরক্লিবা থবকশিং অমদি হন্দক কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ মরকসিদা থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা থবক কয়া তৌরবসু মীয়াম্না শীংথাবীবা ৱাৎপগী মহুৎতা কোভিদ-১৯গী মহিক পুরকপশিং ওইনা উবীবা, লম্বীদা ফূবীবা, লম্বীদা ঙাইহাক পোত্থানবা গাড়ী খাম্বদা খামহন্দবা, পোৎচৈ লৈবদা পীবীদবা, থিনা চৈবীবা, ময়ুমদা হল্লকপদা লৈকায় মীয়াম্না অমুক চঙহন্দবগী থৌদোক কয়া থোরকপা অমদি হায়ৱেশিংদা শাংনা চৎলুরগা হল্লক্তুনা ইম্ফালগী লমথুংফম ওইরিবা আই এস বি টিদা ঙাইহাক পোত্থাগদবা মফম অসিসু ফীভম চাদবা হায়বদি অচৌবা কোমজাও কয়া লৈবনা মখোয়গী গাড়ী থৈদোক-থৈজিন অমদি খাম্বদা খুদোংচাদবনা অৱাবগী মথক্তা অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা হাপ্পি। অসিগুম্বা দ্রাইভরশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবা ময়াম অসি খাংবা ঙম্লক্তবদগী ওগষ্ট ১৮দগী মখোয় ষ্টিয়ারিং পায়বা লেপ্পগনি হায়না লাউথোকখিবা অদুনা পীরক্লিবা পাউজেল অদু মীয়াম্না ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই। মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসিনা নোংম-নোংমগী অসুম অসুম লুশিল্লকপা ফীভম অসিদা মীয়াম্না চেকশিল্লিবনি হায়দুনা লৈকায়-লৈকায়দা শম্বল খাবা, মী চৎথোক-চৎশিন তৌবদা মরম ইচা চাদবা অথিংবা থম্বা কয়া অসিনা কোভিদ থেংনবগী অচুম্বা লম্বী ওইদে। কোভিদকী অনাবা কয়াবু টেষ্ট তৌবগী শিনফমদা লৈরিবশিং, লায়েংলিবশিং মরুওইনা ডোক্তর, নর্সশিংবু হোস্পিটালদা দ্যুটি তৌরুরগা ময়ুমদা হল্লকপদা লৈকায়না চঙহন্দবগী থৌদোক কয়া থোক্লিবদু য়াম্না চুমদবা থৌওংনি। মরম অদুনা কোভিদ লাম্থেংনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংনা মখোয়গী মথৌ লোইরগা ময়ুমদা হল্লকপদা লৈকায়গী মীয়াম্না ইন্থোকপগী মওংদা তৌবা, চঙহন্দবা, ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা শীজিন্নদুনা ঙাংবীবা কয়া অদু খুদক্তগী লেপ্পীয়ু হায়না আপিল তৌজরি।

চেরোল অসিনা হায়, দ্রাইভর অমদি হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংনা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎ মরকসিদা অরুবা থৌদাং লৌরুরগা ময়ুমদা হল্লকপদা লৈকায়গী/ক্লবকী মীওইশিংনা চঙহন্দবগী থৌওং মখা তানা চত্থরবদি মদুগুম্বা লৈকায়/ক্লবতুদা জোইন্ট কম্মিটি ফোর পব্লিক এৱ্যের্নেস ওন কোভিদ-১৯না অখন্নবা মীৎয়েং থমদুনা থবক পায়খৎকনি। মসিগী ফিরেপ অসি লৌজরক্লিবগী মরমদি কোভিদ-১৯দগী চেকশিনবা অমসুং ঙাকথোকপা হায়বসিদা মথৌ তাবা পোৎলমশিং অদু দ্রাইভরশিংনা মথৌ তাবা পোৎচৈ, হিদাক-লাংথক পুশিল্লক্লি অমদি হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংনা টেষ্ট অমদি লায়েংবগী থবকশিং তৌরিবনি। দ্রাইভর অমদি হেল্থ ক্যের ৱার্করশিংবু ময়ুমদা হল্লকপদা লৈকায়দুনা চঙহন্দবা অমদি ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা ঙাংবীবা অদু লৈকায়-লৈকায়দুগীসু চেকশিন থৌরাং লৌখৎপদি ওইরমগনি। অদুবু মদু হৌজিক্কী ওইরক্লিবা ফীভম অমদি মতমসিগা চান্নরক্রে। লৈকায় মীয়ামগী নুংঙাইতবা অমদি চিংনবশিং অদু কোক্লনবা দ্রাইভর অমদি হেল্থ ক্যের ৱর্করশিংনা অদুনা ময়ুমদা হল্লকপদা তঙাইফদনা টেষ্ট তৌরগা লাকপা য়াননবা মণিপুর লৈঙাক্লা থবক পায়খৎপীয়ু অমদি ইশা-ইশানসু মীয়াম্না য়ারিবমখৈ চিংনদনবা অমসুং নুংঙাইতবা থোক্লবা হোৎনবীয়ু।

ওল মণিপুর রোদ ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱর্করস য়ুনিয়ন্না মখোয়গী মথক্তা মীওই কয়ানা চত্থরক্লিবা নুংঙাইতবা থবকশিং অমদি মখোয়গীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎপীদবা অদুদা খাংবা ঙমদদুনা ওগষ্ট ১৮দগী দ্রাইভরশিংনা ষ্টিয়ারিং পায়ররোই হায়বগী ফিরেপ লৌদুনা মীয়ামদা লাউথোকখ্রবনি। দ্রাইভরশিংনা মদুগুম্বা ফিরেপ লৌখিবসিনা মীয়ামদা মখল-মখা চৈথেং লাক্কদবনা দ্রাইভরশিংগী ফিরেপ অদু মতম খরা হন্দোকপীয়ু। জোইন্ট কম্মিটি ফোর পব্লিক এৱ্যের্নেস ওন কোভিদ-১৯না দ্রাইভরশিংগী খুদোংচাদবা কয়া অদু য়ারিবমখৈ কোকহন্ননবা থৌরাং কয়া মীয়ামগা খুৎশম্নরগা পায়খৎচগে অমদি মণিপুর লৈঙাক্তসু হায়ফম থোকপশিং অদু হকথেংননা হায়জগে। দ্রাইভরশিংগী দিমান্দ জোইন্ট কম্মিটি ফোর পব্লিক এৱ্যের্নেস ওন কোভিদ-১৯না মরম চাইনা হায়না লৌজৈ অমদি দ্রাইভরশিংনা কোভিদকী অসি য়ৌনা লুরবা তানফমসিদা লৌরিবা থৌদাংশিংদু ঈকায় খুম্নজৈ। মণিপুর লৈঙাক্লসু দ্রাইভরশিংনা ষ্টিয়ারিং পায়দবগী ফিরেপ অসি লৌদনবা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং অদু খুদক্তা পায়খৎপীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

মিনিষ্টর বিশ্বজিৎনা আর দি এন্দ পি আর স্কিমশিংগী পায়খৎলিবা থবকশিং য়েংশিনখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :

রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বজিৎনা ঙসি রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজ স্কিমশিংগী পায়খৎলিবা থবকশিংগী মতাংদা রিভিয়ু মীটিং তৌদুনা য়েংশিনখ্রে।

ন্যু সেক্রেটেরিয়টতা লৈবা মিনিষ্টর অসিগী ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা অনৌবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী দেপ্যুটি কম্মিস্নারশিংনা এম জি এন আর ঈ জি এসকী দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটরশিং ওইনা থবক তৌননবা লেপ্পখি। মীফম অদুদা মিনিষ্টরনা হায়খি, অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট ৭কী দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনশিংনা এম জি এন আর ঈ জি এসকী থবকশিং পায়খৎপদা মথৌ তাবশিং অদু খঙহল্লক্লুবা অমদি স্কিম অসিবু মপুং ফানা পায়খৎনবদা য়ারিবমখৈ ষ্টাফ য়াম্না শীজিন্নদনবা ৱাফমসু থমখি। লোয়ননা সেপ্টেম্বর থা ফাওবদা জোব কার্দ হোল্ডরশিংগী বেঙ্ক একাউন্টশিং হাংদোকপগী থবক লোইশিন্নবসু দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নারশিংদা খঙহনখি। মীফম অদুদা আর দি এন্দ পি আর দিপার্টমেন্টকী মখাদা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা স্কিমশিংগী থবক থৌরমশিংসু মপুং ফানা পায়খৎননবা কুপ্না খন্নখি।

মীফম অদুদা এদিসনল চীফ সেক্রেটেরি আর দি এন্দ পি আর ডা. সুহেল অক্তর, দিষ্ট্রিক্ট কম্মিস্নারশিং, দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম কোওর্দিনেটরশিং অমদি দিপার্টমেন্টকী ওফিসল কয়াসু শরুক য়াখি।

ওগষ্ট ২০ ফাওবগী মনুংদা মরাল লৈবশিং ফাদুনা এক্সন লৌখৎত্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি : জে এ সী

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) : হৌখিবা ওগষ্ট ১৫দা নিংথৌখোং অৱাং ৱার্দ নম্বর-১গী থম্বাল হৌবী উকু মখোঙদা মীহাৎ থিনা হাৎলমখিবা নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ১৪ দগী লাইশ্রম অঙম্বা (২২), অপোকপা এল বিরেন মীশিগী মতাংদা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মরাল লৈবশিং ওগষ্ট ২০ ফাওবগী মনুংদা ফাদুনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎত্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না জে এ সী এগেনষ্ট দ ব্রুটেল কিল্লিং ওফ (লেট) লাইশ্রম অঙম্বা নিংথৌখোংগী কনভিনর টি ঐচ নোরেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, লৈখিদ্রবা লাইশ্রম অঙম্বগী ইমুং অসি য়াম্না লায়রবা ইমুং ওইবদা নত্তনা শেন্থোক লম্বী লৈজদবা ইমুংনি। ইমুং অসি য়াম্না ৱানা লৈজবা খ্বাইদগী লায়ররবা ইমুং হায়বদু ওইরিবনি। মসিদসু নত্তনা কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরিবনি। মশাগী লম লৈজদবনা অঙম্বগী ইমুং-মনুং অসি অশানবা কা অমা ৱাইদুনা লৈরিবনি। লাইশ্রম অঙম্বা মীশিগী থৌদোক অসিগা মরী লৈননা নিংথৌখোংদা লৈরিবা ক্লব, ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মীয়ামগী ওইবা মীফম অসি পাঙথোক্লগা জে এ সী শেমখিবনি। জে এ সীগী ওইবা মীফম অমসু পাঙথোক্তুনা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখ্রে।

ৱারেপশিং অদুদি, লাইশ্রম অঙম্বা মীশিদা চেন্নবা মরাল লৈবা মীওইশিং মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মশক খঙদোক্তুনা ফারগা মখোয়গী মথক্তা লিগেল এক্সন লৌখৎপ্রা হায়বদু ওগষ্ট ২০ ফাওবা ঙাইমিন্নবা, মীশি অসিদা চেন্নরিবশিংগী মথক্তা করিগুম্বা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা লাক্লিবা ওগষ্ট ২০ ফাওবদা এক্সন লৌখৎলক্তুবদি জে এ সী অমদি মীয়াম্না মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিনবা, মদুদা থোক্লকপা অফ-ফত্তগী থৌদাংনা লৈঙাক্লা পুগদবনি। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনসু মথৌ তাবা এক্সনশিং মতম চানা লৌখৎপীননবা হোৎনবীয়ু হায়নসু জে এ সী এগেনষ্ট দ ব্রুটেল কিল্লিং ওফ (লেট) লাইশ্রম অঙম্বা নিংথৌখোংগী কনভিনর টি ঐচ নোরেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘এসেমব্লী কনষ্টিট্যুএন্সি খরদি মপী-মপা লৈতবা হায়বদু ওইরে’

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :

তমথিরবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মীয়াম্না খম থেংনা অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ চৈরক অসিদা এম এল এ খরনা মশা-মশাগী ওইজবা থিদুনা ফম থাদোকপদগী এ সী খরদি মপী-মপা লৈতবা হায়বদু ওইরে হায়না অন্দ্রো এ সীগী সোসল ৱর্কর কৈশাম নিংথেমজাও (কে এন সিংহ)না ফোঙদোরক্লি।

য়াইরিপোক তোপ চিংথা লাইমনাইদা লৈবা মহাক্কী য়ুমদা পাউমীশিংগা উনবদা কে এন সিংহনা হায়খি, এম এল এ খরনা চোংথোক-চোংশিন তৌখিবদগী এ সী খরদা সিট হাংলে। মখোয়না মীয়ামগী খনবগী মহুৎতা মশাগী খুদোংচাবা ফংনবা অতোপ্পা পার্টিদা চোংথোক-চোংশিন তৌদুনা লৈরে। অসিগুম্বা ফমদা মীতারিবা এক্স-এম এল এশিং অসি মীয়াম্না পারা তন্বীবা মতম য়ৌরে। কোংগ্রেসকী ৱাখল্লোন্দা থাজরগা লাকখিবশিংনা এম এল এদগী রিজাইন তৌরগা মিনিষ্টর ফংগনি হায়বগী শাগৎলিবা মঙলানশিং অঙকপা ফাওই। হান্নগী এম এল এ খরা ফাওবা ফীভম চাদ্রিঙৈ চৈরক অসিদা এম এল এ খরনা রিজাইন তৌখিবা অসি অঙকপা ফাওই।

মহাক্লা মখা তানা হায়খি, দ্রগ লল্লোনবশিংবু শৌগৎপা, দ্রগকা কোন্ননা ফাবশিং বেলদা থাদোকপা, চেন্নবশিং গেলেন্টরি পীবা অদুগা চীন্দনা ৱার এগেনষ্ট দ্রগস হায়না লৈঙাক্লা লাউরি। মসিদগী ঐখোয় চেকশিনবা মথৌ তাই। অন্দ্রো এ সীগী এম এল এ ওইবদগী টি ঐচ শ্যামকুমারবু দিসক্কালিফাই তৌখ্রবা মতুংদগীদি এ সী অসি মপী-মপা লৈতবা মচাশিংগুম্না মীয়াম কোয়চেন চেন্নদুনা লৈরে। লোকদাউননা মরম ওইদুনা ৱানরবা মতম অসিদা মীয়াম ককঙাওনদুনা লৈরে। লাক্কদৌরিবা বাই-ইলেক্সন্দসু মীয়াম্বু চৈথেং ফংহল্লম্লিবা মীওইশিং অসি শোয়দনা মীয়াম্না পারা তন্বীরক্কনি হায়বগী অচেৎপা থাজবা লৈ হায়নসু সোসল ৱর্কর কে এন সিংহনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

লৈঙাক্লা মীয়ামগী থাজবা মাঙহনবীগনু : হাওমি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :

ময়াই কাবা দ্রগকী মতাংদা মণিপুর লৈঙাকপু মীয়ামনা থাজবগী চাং ৱাৎলক্লে। মরম অসিনা লৈঙাক্লা মীয়ামগী থাজবা মাঙহনবীগনু হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে হীরা কবুইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, ময়াই কাবা দ্রগকা কোন্ননা ফারবশিংবু খুদক্তা ৱায়েল চথদুনা চৈরাক ফংহল্লবদি ৱার এগেনষ্ট দ্রগসকী অশেংবা ৱাহন্থোক লৈগদবা মাল্লি। অদুবু মসিগী ওন্ন-তৈনবদা লমদমসিদা নোংম-নোংমগী দ্রগকী প্রোব্লেম হেনগৎলক্লি। ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা মণিপুরনা দ্রগকী কেসতা মকোক থোংলি। মসিদা লৈঙাক্কী ফম্নাইবা কয়া চেন্নৈ হায়না মীদিয়াদা ফোঙনরকখ্রে। মসিমক্কা মীয়াম্না গভর্ণমেন্ট অসিবু থাজবা ৱাৎলক্লিবনি। কুমজা ২০১৩গী জন্যুৱারী ১১ দা এয়রপোর্টতগী য়াল্লবা দ্রগ ফাখিবগী কেস হৌজিক ফাওবা লোইশিন্দ্রি। য়াল্লবা দ্রগশিং ফাখিবা অদুদা মতমদুগী লৈঙাক পায়রিবা কয়াগী খুৎ য়াওখিবগী খুদম ইফোং ফোংনা মীয়াম্না খঙনখ্রবা ৱাফমনি। দ্রগশিং অদুবু ফারুবা পুলিস ওফিসর ফাওবা খুদক্তা ত্রান্সফর তৌখিবা অমদি স্পেসল ইন্টিলিজেন্স য়ুনিট (আই আই য়ু) ফাওবা মুথৎখিবনি। লুখোসৈ জৌগী লৈফমমক্তদগী য়াল্লবা দ্রগ ফাখিবগী মতাংদসু অচৌবা ৱাথোক ওইরি। দ্রগশিং অসি ফাখিবগী মতাংদা লৈবাকসিগী মকোক থোংবনচিংবা, অচৌ-অশাং কয়াগী মমিং-মথা পকশিল্লকপা কয়াসিনা মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা থিজিনহনবগী মহুৎতা সী বি আইদা শীন্নবীয়ু হায়দুনা মীয়াম্না লাউদুনা লাক্লি। মীয়াম্না সী বি আইদা শীন্নবীয়ু হায়বসি তাবীদবগুম তৌরি। দ্রগশিং শুংনবগী পোপী থাফম ওইরিবা মফম অয়ান্বদা ম্যান্মারদগী হাইজিল্লকপা শিনফম অসিদা হৈ-শিংলবা মীওই কয়া অমা য়াওব্রা হায়বসি চিংনৈ। পোপী পান্বী থারম্বদগী য়ান্থৎখিবগী পাউদি তারি অদুবু থারল্লিবা মীওইশিং অদুদি য়োকখৎতুনা থল্লি। তম্পাক্কী মফম কয়াদনা দ্রগ শুংফম হাংদোকপগী ফাগৎলি লোইবসু নাইদ্রি। মখোয়দা করম্বা মখলগী পেনাল্টি ফংহনখিদুনা ৱার এগেনষ্ট দ্রগসকী অশেংবা মমি তাই হায়গদৌরিবনো। নোংমা কাংদনা মফম কয়াদগী ফারিবা মখল কয়াগী দ্রগশিং অসি য়েংলগদি মণিপুর অসি অনীশুবা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গলনি হায়বদা লাল্লরোই।

কুমজা ২০১৩ দা পল্লেলদগী লুপা ক্রোর ৩ হেনবগী দ্রগকা কোন্ননা ফাবদা চেন্নবা পুলিস ওফিসর অমবু ইন্দিয়াগী ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমদা চীফ মিনিষ্টরস মেদল ফোর গেলেন্টরি এৱার্দ পীবদা য়াওরম্বসি তৌগে য়াওনা তৌবা, দ্রগ মফিয়াশিংবু শৌগৎপনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে। মরমদি খ্বাইদগী হৈ-শিংলবা মীফা-মীপুনদা অরোন অথুপ পাউ লৌদুনা হৈথোই-শীংথোইরবা কয়ানা থবক তৌরিবা হোম দিপার্টমেন্টনা ৱাফম অসি পুথোরক্তুগা মহৈরোয় লূপ অমনা পুথোরক্লিবনি। পুন্নমক অসি য়েংলগা চীফ মিনিষ্টরনা থাঙ্গৈশেংনা লৈবাকসিবু দ্রগকী লান্দগী কনগে হায়রবদি মীয়ামগী খোল্লাও তাবীয়ু। দ্রগকী ৱাথোক্তা চেন্নবশিং অথুবদা ৱায়েল চত্থবীদুনা পেনাল্টি ফংহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) : ৭৪শুবা ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্লা দ্রগকী মায়োক্তা অমদি কম্যুনিতি সর্ভিসতা থম্মোয় শেংনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা মথৌ নিংথিনা থবক তৌবশিং খনগৎলগা ইকায়খুম্নবা উৎপদা চীফ মিনিষ্টরস ত্রোফি এৱার্দ পীবদা ডা. এস ইবোমচা এস পি থৌবাল, লাইশ্রম প্রিয়াদর্সিনি এস পি বিষ্ণুপুর অমদি ওইনাম অজিৎ ও সী লিলোং য়াওরকপদা ইকায়খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গর্জিয়ান ওর্গনাইজেসনগী জেনরেল সেক্রেটরি সুমতি শৌগ্রাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, চীফ মিনিষ্টরস ত্রোফি ফোর এন্টি দ্রগ কেম্প্যেনগী এৱার্দ ফংখ্রবা ডা. এস ইবোমচা অফবা খুন্নাই অমা পুরক্লুবগী পান্দমদা হৌরক্লিবা নহা কয়াগী পুন্সি কন্নবা থম্মোয় শেংনা দ্রগকী মায়োক্তা হনবা লৈতনা লাম্থেংনদুনা মখল মখা কয়াগী দ্রগশিং ফাগৎতুনা অফবা মতিং লৈবা খুন্নাই অমা শেমগৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং কয়া লৌবা অমদি কম্যুনিতি সর্ভিসতা থোইদোক হেন্দোক্লা মথৌ নিংথিনা তৌবগীদমক লৈঙাক্লা অফবা পুলিস ওফিসর অমবু পূক্লিং থৌগৎতুনা চীফ মিনিষ্টর ত্রোফি ফোর এন্টি দ্রগ কেম্প্যেন এৱার্দ ২০২০ অসি খূৎশিন্নবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

অমরোমদা লাইশ্রম প্রিয়াদর্সিনি, এস পি বিষ্ণুপুর নুপীলক্তগী অথোইবী সেনিয়র পুলিস ওফিসর অমা ওইনা মথৌদা পূক্লিং চঙবা অমদি লমদম অসিদা অফবা থবক ময়াম অমা তৌবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্লা ইকায়খুম্নবা উৎতুনা অমদি পূক্লিং থৌগৎতুনা চীফ মিনিষ্টরস ত্রোফি ফোর গুদ সর্ভিস, ২০২০ এৱার্দ অসি খূৎশিন্নবদা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস গর্জিয়না ওর্গনাইজেসন্না ইকায়খুম্নবা উৎচবগা লোয়ননা তুংদসু মীয়ামগীদমক অফবা থবক থৌরম কয়া পাঙথোরক্কনি হায়বগী থাজবা থম্মী হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবী নুপী...

লামায় ১গী মখা... ৩৬; দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটাল বিষ্ণুপুরদা ৯; ইম্ফাল ইষ্টকী আর এ টিদা ৪ অমসুং পব্লিক হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স ইন্সটিট্যুটতা ১ পোজিটিভ ওইবা থেংনখি।

নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৪৪; ইম্ফাল ইষ্টতগী ১৬; বিষ্ণুপুরদগী ৯; নোনেদগী ২ অমসুং থৌবালদগী ২নি। জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীওই ৪ মপান লৈবাক্তগী হল্লকখিবা ঙাক্তনি। অতৈ মীওইশিংদি অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎলুবগী ত্রাভেল হিষ্ট্রি লৈতবা মীওইশিংনি।

নৌনা পোজিটিভ ওইরবা মীওই পুন্নমক কোভিদ ক্যের ফেসিলিটিশিংদা থমদুনা লায়েংবা হৌখিবগা লোয়ননা মীওইশিং অদুগা লোয়নরম্বা অমদি নক্নখিবা অতৈ মীওই পুন্নমক্কী খোঙ্গুল লীবা হোৎনরি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা মীওই ৫৫ নাবা ফরকপদগী দিসচার্জ তৌখি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, সী এ পি এফকী পর্সনেল ২০; কোভিদ ক্যের সেন্টর লম্বোই খোংনাংখোঙদগী ২৯; চুড়াচান্দপুরদগী ৫ অমসুং উখুলদগী মীওই ১ দিসচার্জ তৌখিবনি। ষ্টেট অসিদা হৌজিক কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস ৪,৭৬৫ লৈবগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ৩৫৪৪ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ১২২১ য়াওরি।

হৌজিক ফাওবদা দিসচার্জ তৌখ্রবা কেসনা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫১৫ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২৭৪ পূন্না ২৭৮৯নি। এক্টিভ কেস ১৯৫৮ লৈবগী মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ১০১২ অমসুং সেন্ট্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৯৪৬ য়াওরি। নারুবদগী ফগৎলকপগী চাং চাদা ৫৮.৫৩ ওইরে হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং মতম...

লামায় ১গী মখা... ৱাখল খন্থবা ৱাৎপা চহী য়ামদ্রিবা মীওই খরদি লৌখৎপীবা লাক্তবা মরমনা পোজিটিভ ওইরে খঙলবসু মীয়াম্না ঙাংলবা ফাওবদা তুমিন-তুমিন্না মপান্দা কোয়চৎ চৎপা য়াওদবসু নত্তে। লোয়ননা পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগা লোয়নরম্বনি হায়বা মীওইশিংগী সেম্পল কলেক্সন লৌখৎখ্রবসু রিপোর্ট থেংনা লাকপা মরমনা অদুমক মীয়াম মরক্তা লৈবসু য়াওদবা নত্তে। মরম অদুনা লৈঙাক্লসু অমদি মীয়াম্নসু অমত্তা ওইনা লায়না লাইচৎ অসিগী মতাংদা অমত্তা ওইনা চপ মান্নবা খোঙথাং অমদা চৎমিন্নবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোরকখি।

পনবা য়াবদি গ্রিন জোন ওইরম্বা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপগী চাং নোংম-নোংমগী অসুম হেনগৎলকপদগী লোকেল ট্রান্সমিসনগী থাক্তা য়ৌরক্তুনা মণিপুরগী অয়ান্বা মফমশিংদা কন্টেনমেন্ট জোন লাউথোক্তবা মফম লৈশিল্লক্রে। লোকেল ট্রান্সমিসনগী ষ্টেজদা লাকখিবা মরমনা হৌজিক ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোরকপগী চাং ৱাংখৎলক্লি। ঙসিমক্তদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদগী পূন্না মীওই ৭৩ পোজিটিভ ওইখি। হৌজিক ষ্টেট অসিগী অপুনবা পোজিটিভ কেস মশীং ৪৭৬৫ শুরে। লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, চুরচান্দপুর, কাংপোকপী, উখ্রুল, সেনাপতি, তমেংলোং, ককচিং, কামজোং, বিষ্ণুপুর, জিরিবাম, চান্দেল, নোনে, ফেরজোল অমদি তেংনৌপলদসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী মশীংসু লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা লৈঙাক্লা কোভিদ-১৯ মখা তানা শন্দোরক্তনবা খুদক্কী ওইবা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং অকনবা মওংদা লৌখৎহন্নিংই হায়নসু মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরকখি।

ঙা মচাশিং থাদখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :

লমশাং এ সীগী মীয়ামগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা মতেং ওইননবা হায়দুনা সোসল ৱর্কর করমজিৎ অরাম্বমনা লৌখৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা ময়াং লাংজিং তমাংগী কম্যুনিটি পুখ্রি ৫দা ঙা মচা লিশিং ১৫ থাদখ্রে।

খোংহাম্পাৎ খামরম কম্যুনিটি পুখ্রিদসু ঙা মচা লিশিং ৭ অমদি খোংহাম্পাৎ মন্ত্রি লৈকায় পুখ্রিদসু ঙা মচা ১৬০০সু থাদখ্রে। পুখ্রিশিংদা ঙা মচা থাদবীবগীদমক খুন ৩গী মীয়াম্না সোসল ৱর্কর করমজিৎপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না ময়াং লাংজিং য়ুথস লাইব্রেরী ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি সুন্দর খংজ্রাকপমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেঙ লেপ্তুনা চিংথোক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :

লোকদাউন মনুংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা মীয়ামদা চেঙ নীংথিনা ফংহন্ননবগীদমক ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা গোদাউনশিংদগী এ সী কয়াগী পি দি এস চেঙশিং লেপ্তুনা চিংথোক্লরি হায়রি।

নীংতম্বদা অকায়বা পীগদবা য়ান...

লামায় ১গী মখা... লাকখি। নাগা মীয়ামগী রাইট মাঙহন্নবা হোৎনরিবশিং কৈদৌঙৈদা ঙাকপীবা তৌরোই।

ইন্দিয়াগী থৌশিল শৌগৎতুনা নাগা ওর্গনাইজেসন খরনা নাগা মীয়ামগী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনরক্লে। তানফম অসিদা এন এস সী এননা তুংগী মীরোলগী নীংতম্বদা অপনবা থোক্কদবা য়ান চে অমত্তদা খূৎয়েক পীবা তৌরোই হায়নসু চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

৭৪ শুবা লাইনিং ঙাক শেনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :

কংলা লাইফল্লেন্দা চহী খূদিংগী পাঙথোকপগুম হন্দক চহীগী ওইনসু ৭৪শুবা লাইনিং ঙাক শেনবগী থৌরম এম পিসু ওইরিবা কংলৈ পিবারেল নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা কংলা লাইফমদা মালেম পাফল চিংখৎতুনা পাঙথোকখ্রে হায়না ওল ইন্দিয়া কংলা পাখংবা টেম্পল দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী কংলা ফমথৌ ৬৪গী সেক্রেটরি ৱাফোং কাঙলুপ এন জুল্লোন মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরম অদুগা মরী লৈননা নিংথৌ লৈশেম্বা সনাজাওবনা লমদম অসিদা লৈরিবা লাইফমশিং নীংথিনা শেমগৎতুনা ফুরুপ কাঙলুপ খূদিংমক্লা নুংশি-চান্নবা লৈমিন্নসি। কংলা লাইফম শেমগৎতুনা অমদি কংলা লোয়শঙ নীংথিনা লিংদুনা লাইফমশিং শেমগৎমিন্নরসি। অপূনবগী শক্তম শাগৎলসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

দিফেন্স ৱিটনেস ২ এগজামিন...

লামায় ১গী মখা... তৌনবসু খঙহনখ্রে। পনবা য়াবদি, কেস অসিগী ৱায়েলদা পিটিস্নর মশা য়াওনা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস (পি দব্লিয়ু) অনীগী এগজামিনেসন কোর্টনা পাঙথোকখ্রবনি। কোর্টনা কেস অসিগী ৱায়েল চথরকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদনা কাউন্সেল অশেম মোহেন্দ্রোনা লেপ্পগা রেসপোন্দেন্টকী মায়কৈদনা সিনিয়র কাউন্সেল ঐচ এস পাওনম্না লেপ্লিবনি।

চীফ মিনিষ্টরনা এক্স এম এল এ ৬কা...

লামায় ১গী মখা... এম এল এদগী রিজাইন তৌবগা লোয়ননা কোংগ্রেসতগীসু তোল্লকপা অসি বি জে পিদা য়াওবা পান্বদগীনি হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

ঙসি বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট জে পি নাদাগা উনবদসু এক্স এম এল এশিং অসি বি জে পিদা য়াওনবগী ৱারী শাখ্রে। জে পি নাদাগী মায়কৈদগী এক্স এম এল এ তরুকপু তরাম্না ওকখি।

চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হয়েং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনগদৌরি। মণিপুর লৈঙাক মনুংগী ওইবা হীরম কয়াদা ৱারী শাগদৌরি। লুচিংবশিং উনরবা মতুংদা চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা টিম অসি ইম্ফালদা হল্লক্লুবা শেম শাখ্রে।

এন ই পিগী টাস্ক ফোর্স শেম্নবা থৌরাং...

লামায় ১গী মখা... টাস্ক ফোর্স শেম্নবগী থবক ফাইনেলাইজ তৌরে। পোলিসি অসি মপূং ফানা ইমপ্লিমেন্ট তৌবা ঙম্নবা পুন্নমক্লা সপোর্ট তৌবীয়ু। হয়েং নুংথিল পুং ১ তাবদা এ আই আর ইম্ফালদা নেসনল এদ্যুকেসন পোলিসিগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙগনি। ফোনগী খূত্থাংদা ৱাহং পাউখুমগী খুদোংচাবা লৈগনি। সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি কয়াগী ওজাশিং অমদি অখঙ অহে কয়াগা লোয়ননা ষ্টেটসিদা পোলিসি অসি করম্না চৎনহনগদগে হায়বগীদমকসু খন্নখ্রে। ঙসি মপূং ওইনা স্কুল এদ্যুকেসন অমদি হায়র এদ্যুকেসনদা পোলিসি অসিগী মখাদা পায়খৎকদবা হীরম কয়াগী মতাংদা নৈনবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অম্বানা অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৮ (ঐচ এন এস) :

এদভোকেট সরাংথেম তেম্বনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ওল মণিপুর বার এসোসিএসন (অম্বা)না অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

অম্বাগী জেনরেল সেক্রেটরি থিংবাইজম মহিরানা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, এদভোকেট সরাংথেম তেম্বনা লৈখিদবগা মরী লৈননা চৈরাপ কোর্টকমপ্লেক্সতা লৈবা অম্বাগী ওফিসতা অম্বাগী প্রসিদেন্ট মাইবম নিলাচন্দ্রনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা অৱাবা ফোঙবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনসু মিনিট অনী তুমীন্না লেপ্তুনা অৱাবা ফোঙদোকখি। লোয়ননা লৈখিদ্রবগী থৱায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবা থৌনিখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

কে ৱাই কে এলগী ২৭শুবা অথৌবশিংগী...

লামায় ১গী মখা... হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

অওৎ অনৈ লৈতবা মান্নবা খুন্নাইগী ৱাখল্লোনবু ময়াই কল্লবা লৈবাক নীংবগী মৈরিনা চুদুনা নীংতম য়াওল ঈহৌ হৌরবতদা য়াওল লান অসি পজেং ফিরাল থেৎপা ঙমগনি হায়না থৌরম অদুদা লুচিংবশিংনা অচেৎপা ৱাফম থম্নখি হায়রি।

থৌরম অসি অনীশুবা লান্মী লোইশঙদা লোইশঙ অসিগী কম্মান্দিং ওফিসর কেপ্তেন সুমননা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লূপ অসিগী অহুমশুবা লান্মী শঙলেনদসু লোইশঙ অসিগী কম্মান্দিং ওফিসর চিঙুরেম্বনা লুচিংদুনা অথৌবশিংগী নুমিৎ পাঙথোকখি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ম্যান্মার মচা ২৪ মরী লৈনবা...

লামায় ১গী মখা... টাউনশিপ্পুগী অঙ্গিয়ো, লাশৈ টাউনশিপ্পুগী সলেং শে, ফৌংসিং ভিলেজ/খান্টি টাউনশিপ্পুগী য়ো জে য়া, খিনখিন য়িন্ট অমসুং এমভাং, সুম্মরা টাউনশিপ ৱার্দ নম্বর ২দগী রেৱিপো, সেকেবোন ভিলেজ/লাশৈ টাউনশিপ্পুগী জো ৱিন, টিদ্দিম টাউনশিপ্পুগী থাংসুম লেইন, সগাইংগী পাংশোংদগী কিকম, ৱানকম অমসুং য়ানশঙ, কাচিনগী পৱাদগী লার সি, চিনগী মতুপিদগী দেসেন থাং অমসুং লাল জোন লিয়ন, পিয়িনউলৱিনগী অনেসাখানদগী য়াট নো থু অমসুং দিমাপুরগী তোঙান তোঙানবা বাইবল/থিওলোজিকেল কোলেজশিংদা তম্বা খৃষ্টমাস থাং সুঅন খায়, দেবিদ পান সোন খায়, মেরিং সুং, ইং বাৱাই চিন অমসুং ভুং সান কিননি।

অকোনবগী মীওই মঙা অসিদি মাও গেট ফাওদুনা লাকপদগী ক্বারন্টিন তৌদুনা থল্লকখিবনি হায়রি। অদুবু মখোয়গী মায়কৈদগী হৌজিক মায়োক্লরিবা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী য়েংলগা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরস (এম ঈ এ) তা ময়ূমদা হনবদা অয়াবা পীবিয়ু হায়জখিবনি। মিনিষ্ট্রিনা অয়াবা পীরকপদগী মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টনা পর্মিসন পীরবা মতুংদা ঙসি মোরে গেট নম্বর ১দা লৈবা ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্সিপ ব্রিজদা ম্যান্মারগী ওথোরিটিদা খূৎশিন্নখিবনি।

ঙসিগী মখোয়বু খূৎশিন্নখিবদা ইন্টিগ্রেটেদ চেক পোষ্ট (আই সী পি), মোরেগী মেনেজর রোবিন গাংতেসু শরুক য়াখিবগা লোয়ননা কোভিদ-১৯গী প্রোটেকোলশিং ঙাক্লা চত্থখি হায়রি।